## মর্জর এগ্রিমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অমসুং মণিপুরী ফুরুপকী ওইরক্লিবা শক্তম হায়বা হিরমসিদা খন্ন-নৈনবাগী মীফম অমা লাংমৈদোং ড্রামটিক যুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৰুমেন্স দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (থৌবাল ইমা) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (য়ু পি এ সী ও) মণিপুর অনীনা পূন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা থৌবাল ইমাগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ মেন্মা লৈমা, লাংমৈদোং হয়ার সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী প্রিন্সিপাল উরিখিনবম কুঞ্জো, এ এন কে ইংলিস একাদেমি লাংমৈদোংগী হেদমাষ্টর য়ুম্নাম শান্তিকুমারনা থৌরম মপুশিং ওইখি। ওল মণিপুর ৰার্কিং জর্নেলিষ্ট যুনিয়ন (অমজু)গী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবম, য়ু পি এফকী এদভাইজর এল জাদুনা অখং-অহৈশিং ওইনা ৰা ঙাংখি।

থৌরম অদু পাঙথোকপগী মতাংদা নুংগী ওইবা ৰারোল য়ু পি এ সী ও মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম বসন্তানা পীখি।

## মেরা হৌচোংবা ফেষ্টিভেল ২০১৯ হয়েং পাঙথোক্লবগীদমক শেম-শারে : কেশোরজিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেভেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওন মেরা হৌচোংবনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম-শারে হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী জোইন্ট দিরেক্টর কেশোরজিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কংলাদা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা কেশোরজিৎনা হায়খি, চীং-তমগী ফুরুপশিংগী মচিন-মনাও ওইবগী মরী শাগৎলিবা য়াম্না মরুওইবা মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি ষ্টেটকী থাক্তা হৌখিবা চহী খরদগী পাঙথোরকপগা লোয়ননা চহী অসিগী ওইনসু পাঙথোক্লবা শেম-শারে। চীংগী খুলশিংগী চীফশিং, কলচরেল টুপশিংসু থা অসিগী ১২ গী নুংথিলদা পুল্লগনি। মথংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৩ দা অয়ুক্তগী হৌনা মেরা হৌচোংবগী থৌরম মথং-মথং পাঙথোক্লগনি। মেরা হৌচোংবা নুমীৎ অসিগী ওইনা কংলাদা চঙথোক-চঙশিনগী এন্ট্রি ফ্রি লৌরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা ষ্টেট লেভেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মরুওইবা থৌ পুবা ওইরিবা মেরা হৌচোংবা থৌশিল লূপ সনা কোনুংগী কনভিনর এল রতনকুমারনা হায়খি, মেরা হৌচোংবা থৌরম অসি নিংথৌগী মশিল অমা ওইনা চহী খুদিংগী থৌশিল লূপনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৭ দগীদি ষ্টেট লৈঙাক্না লোয়ননা শিল্লগা পাঙথোকপা হৌরকখি। মেরা হৌচোংবা হায়বসি সনা কোনুংগী মশিল অমা ওইবা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌরম অমনি। মসিনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মচিন-মনাওশিংগী মরী শাগৎপগা লোয়ননা নুংশিবগী লীপুন অদু পুরকপা য়াম্না মরুওইবা থৌরমনি। থা অসিগী ১২ গী নুংথিলদা চীংগী মফম কয়াদগী লাকপা লুচিংবশিং অমদি কলচরেল টুপশিং কোনুং মমাঙদা লৈবা আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌগনি। নুমীদাংদা অচা-অথক চামিন্নদুনা মচিন-মনাও ওইবগী নুংশিবা মরীগা লোয়ননা পুনগনি। মেরা হৌচোংবা নুমীৎ থা অসিগী ১৩ দা সনা কোনুংদগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওই কয়ানা নাৎকী ফিজোল শেৎতুনা কংলা তম্না প্রোসেসন চৎকনি। কংলাদা থুংলবা মতুংদা মেন তোংবা পাঙথোক্কনি। কুমগী ওইনা করি অফ-ফত্তা লৈরিবগে হায়বা য়েংনবা য়েংকোম তম্বগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। নুংথিল পুং ১ তাবদা কংলাদা মেরা হৌচোংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা পোৎ লান্নগনি। খুদোল পোৎশিং লান্নরবা মতুংদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া মথং-মথং পাঙথোক্কনি। ফুরুপ কয়াগী জগোয়-ঈশৈসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লূপ কয়ানা মেরা হৌচোংবা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না তাই। মেরা হৌচোংবা হায়বসিদি নিংথৌনা কোনুংদা পাঙথোক্লম্বনি। তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা অসিনা মরিং-মরাংবা ওইনা উগনি। মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসি মফম অমত্তংদা পুন্না পাঙথোকমিন্নসি। অতোপ্পা মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবশিং অসি মেরা হৌচোংবা হায়বা টাইটল অসি শীজিন্নবা চুমদে। মফম কয়াদা চীংমী-তম্মী পুন্দুনা পোৎ লান্নবা নৎত্রগা থৌরম পাঙথোকপা য়াই। অদুবু মেরা হৌচোংবা হায়বসিদি মফম অমদা পুন্না পাঙথোকপনা চুমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেরা হৌচোংবগী থৌরম অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ গেষ্ট, নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা প্রসিদেন্ট অমদি আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## মণিপুরদগী পার্মিট সিষ্টেম লৌথোকখিবগী মতাংদা লোগী ওইবা মায়কৈদা থেংনরগনি : এম দি এ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী চৎনজরকপা পার্মিট সিষ্টেম কুমজা ১৯৫০ দা লৌথোকখিবা অদুগী মতাংদা লোগী ওইবা মায়কৈদা থেংনরগনি হায়না মণিপুর দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্স (এম দি এ) গী কনভিনর এম তোম্বীনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনাগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ হাক্তক্তগী হৌনা মপান্দগী মীতোপ চঙলকপদা য়েংশিন্নবা পার্মিট সিষ্টেম চৎনদুনা লাকখিবনি। কুমজা ১৯৫০ দা মতমদুগী কম্মিস্নার হিমট সিংহনা পার্মিট সিষ্টেম অদু লৌথোকখিবনি। পার্মিট সিষ্টেম লৌথোকখিবা অদুগী মতাংদা লোগী ওইবা মায়কৈদা থেংননবা শেম-শারগনি।

সী এ বি অসি নোর্থ ইষ্টতা অকায়বা থোক্তনবা স্পেসল প্রোভিজন হাপকনি হায়না ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকপা লৈখি। সী এ বিনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিংবু শোকহন্দনবা স্পেসল প্রোভিজন অমা হাপকনি হায়বসি থবক ওইনা ওন্থোকপা ফৈ। সী এ বিগী মায়োক্তা মণিপুর মীয়াম্না লৈ। খোঙজং কয়াসু চঙশিনবা লৈখ্রবনি। সী এ বিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম পীশিল্লগনি।

মণিপুরগী অয়াম্বা শরুক্তি চীংগী লমনি। ষ্টেট অসিগী চাদা ৯৫ দি চীংগী লম ওইবনা মণিপুর অসি হিল ষ্টেটনি হায়না লাউথোকপীয়ু। মণিপুর এসেমব্লী লৈরিবা মফম অসিসু চীং মনাক্তা লৈরিবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী কাংখুল মুৎখিদনবা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনমিন্নগনি। মণিপুর পিপলস বিল এসেন্ট পীবীনবা এম দি এগী মায়কৈদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা প্রেসর কয়া পীবা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা মণিপুর দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্সতা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী তোঙান তোঙানবা থৌশিং পুনবা খল্লবা মীওই অহুমসু শিব সেনাগী লেংয়ান হুক্তুনা ঈকায় খুম্নখি। মীওইশিং অদুদি, সেক্রেটরি ৰিমেন ফ্রন্টতা অঙোম মনোরমা, ৰিমেন ফ্রন্টকী এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা সত্যা তেনসুবম অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা সলাম শ্যামকিশ্বরনি হায়রি।

## ‘লগাও খাওবদা অথিংবা থন্নে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): য়াইরিপোক্কী ক্লব ৯ গী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা জোইন্ট কম্মিটি ওন পিপলস ৰেলফ্যের য়াইরিপোকনা য়াইরিপোক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা লগাও খাওবদা অথিংবা থন্নে হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্মিটি অসিনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়ুদগী হৌরগা মখল পুম্নমক চাবা য়োনবা থিংবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। নিংঙোল চাক্কৌবা ময়াদা চাক্কৌবা মমাঙদগীনা লোয়বা ফাওবা জারগী মশান্না অমা ওইরিবা লগাও খাওবা অসিবু নহা-অহল, নুপী-অঙাং হুপ্না শরুক য়াদুনা ফেষ্টিভেল অমগুম পাঙথোক্লরকপদগী খুন্নাই অসিদা মখল কয়াগী প্রোব্লেম থোকহল্লকপা য়াবদগী লগাও অসিবু থিংবগী ৰারেপ অসি কম্মিটি অসিনা থা অসিগী ১০ দা বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোক্কী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবনি।

য়াইরিপোক বজার অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবশিং অসিগী এরিয়াদা লগাও খাওবা থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা লৈকায় লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা মতেং পাংবীয়ু অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টশিংনসু লগাও খাওবা থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি সঞ্জয় হিদামনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শিন্মীশিংগী বেনিফিট পীরকপগীদমক থাগৎলি : ফেদরেসন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): শিন্মীশিংগী কুইনা পন্দুনা লৈরক্লবা কুমজা ২০১৫ গী অরোইবা শরুক, কুমজা ২০১৬ গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজগী এদ্যুকেসন, মেদিকেল, লৈখিদবা অমদি এক্সিদেন্টকী বেনিফিটশিং মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৰার্করস ৰেলফ্যের বোর্দকী চ্যেরপার্সন ঐচ দিঙ্গোনা কন্না হোৎনদুনা থাদোকপীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৰার্করস ৰেলফ্যের ফেদরেসনগী সেক্রেটরি এস বিরমনিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এস বিরমনিনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ দগী পেন্দিং কয়া লৈরকখিবা অদু বোর্দ অসিগী চ্যেরমেন দিঙ্গোনা হোৎনদুনা কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬ গী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফেজগী বেনিফিটশিং থাদোকপীরক্লে। মসিগীদমক বোর্দকী চ্যেরমেন দিঙ্গো, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, কম্মিস্নার, দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার অমদি বোর্দকী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা রেজিষ্ট্রেটিং ওফিসরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ৰাৎহৌরিবা কুমজা ২০১৭, ২০১৮ অমদি চৎলিবা চহী অসিগী ওইনসু শিন্মীশিংগী বেনিফিটশিং থাদোক্লবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## সলাই ড্রিম ৰর্ল্ডনা পুথোক্কদবা *লিক্লাং পরেং* গী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): সলাই ইনফোটেক লিমিটেদনা প্রজেন্ট তৌবা সলাই ড্রিম ৰর্ল্ড প্রদক্সনগী *লিক্লাং পরেং* হায়না মিংথোনবা ফিল্ম পুথোক্লবগী য়াইফ থৌনি থৌরম ঙসি সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সলাই ড্রিম ৰর্ল্ডনা পুথোক্কদবা লিক্লাং পরেং হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসিগী মতাংদা ৰা ঙাংলদুনা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন এলাংবম ব্রোজেন্দ্রোনা হায়খি, সরাংথেম বোরমনিগী নোভেলদা বেজ তৌবা লিক্লাং পরেং হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অসি পুথোক্লবগীদমক থৌরাং তৌরে। লমদমসিগী পুৰারীগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা কয়া পুথোকপা চঙই। লিক্লাং পরেং হায়রিবা ফিল্ম অসি তোপ-তোপ্পা, মতিক-ময়াই লৈবা ফিল্ম ওইগনি। লমদমসিগী য়ুনিক ওইবা নাৎ অমসুং কলচরগী মশক কয়া অসি পুথোক্তুনা খঙহনবা চঙই। মণিপুরগী নাৎকী ফজরবা কয়া অসি উৎথোক্তুনা মপান লমদা খঙহনবা চঙই। ফিল্ম অসিদা লমদমসিগী মশক নাইরবা কয়ানা শরুক য়াগনি। সলাই হোল্ডিংসনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ফিল্মগী লমদসু চঙশিন্নবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। লিক্লাং পরেং হায়রিবা ফিল্ম অসি পুথোক্লবা থৌরাং তৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফিল্ম অসি পুথোকপদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা লমদমসিগী শক্লাইরবা মোইরাংথেম ইনাও, মখোনমনি মোংশাবা অমদি আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংগদৌরিবা কয়াদা লেংয়ান ফি য়ান্দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন নারেংবম বিশ্বর্জিৎ অমদি দিপানসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## ‘মিদ দে মিল ৰার্করশিংগী ওনেরেরিয়ম পীথোরক্কনি থাজে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): মিদ দে মিল ৰার্করশিংগী ওনেরেরিয়ম নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা পীথোরক্কনি থাজে হায়না ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৰার্করস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি অরাম্বম থোইচনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মিদ দে মিল ৰার্করশিংদা লাক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা মখোয়গী ফংফম থোকপা ওনেরেরিয়ম পীথোকপীয়ু হায়বা মেমোরেন্দম অমা থা অসিগী ৮ দা এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টরদা য়ুনিয়ন্না পীশিনখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসনা মিদ দে মিল ৰার্করশিংগী ফংফম থোকপা ওনেরেরিয়ম, এরিয়ারগা লোয়ননা পীনবা শিনবা অসি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হোৎনরিবা অসিদা মণিপুরগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনসু পাংফম থোকপা মতেং পাংনবা য়ুনিয়ন অসিনা আপিল তৌরি। মতেং পাংবীগনি হায়না থাজে।

নিংঙোল চাক্কৌবা হায়বা কুম্মৈ অসি নুপী ওইবীশিংনা লাইনিং লাইশোন খায়দনা শরুক য়াবা কুম্মৈনি। লৈঙাক্কী থৌ পুবশিংনা হোৎনদুনা মিদ দে মিল ৰার্করশিংদা মতম চানা পীফম থোকপশিং পীরবদি য়াইফবা ওইগনি হায়রি।

## আর কে মাইপাকসনাগী মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা মেমোরিএল লেকচর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): আর কে মাইপাকসনাগী ৯৫ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোশিপ ২০১৯ সঙাই এক্সপ্রেসকী কলমনিষ্ট এন জি লিক্লাইলৈমদা লান্থোকখ্রে।

আর কে মাইপাকসনা মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সিনিয়র এদভোকেট রাজ কুমার নোকুলসনানা প্রিসাইদ তৌখি। আর কে মাইপাকসনা মেমোরিএল লেকচরদা এম য়ুগী হান্নগী দিন স্কুল ওফ সোসল সাইন্স ডা. ক্ষেত্রি বিমোলানা সোসাইটি এন্দ পোলিটিক্স ইন মণিপুর ১৯৭২-২০০২ হায়বা হিরমদা ৰা ঙাংখি।

আর কে মাইপাকসনা মেমোরিএল ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট আর কে দিলিপনা ফোঙদোকখিবদা, আর কে মাইপাকসনা অসি পোলিটিক্সতা থৱায় য়াওবা মতমদুগী পোলিটিসিয়ন অমনি হায়বা য়াই। মহাক্কী পুন্সিদা রেদিওদা জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা থবক তৌরম্মী। জর্নেলিষ্ট ওইনা লৈরম্বা অমদি জর্নেলিষ্টপু পামজবা অমা ওইনা লৈরম্বনা কুমজা ২০০৯ দগী ট্রষ্ট শেমদুনা জর্নেলিষ্টশিংদা আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোশিপ পীবা হৌরকই। হন্দক্কী অসিদা পীরিবা ফেলোশিপ অসি ১১ রকশুবনি। জর্নেলিষ্টশিংনা ইদুনা ফোঙদোক্লগা লমদম অসিবু চাউখৎপা, তংদু-লৈতাবা ওইবদা মতেং পাংগনি খনবদগী ফেলোশিপ অসি পীবনি। থা অমদা অনীরক ইগদবনি। ফেলোশিপ অসি থা-থাগী ট্রষ্টকী মায়কৈদগী লুপা ৩০০০ পীগদবা ফেলোশিপনি। আর কে মাইপাকসনানা জর্নেলিষ্ট পামজরম্বদা মীৎয়েং থম্লগা পীবনি। আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোশিপ অসি ফংদুনা ইবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লৌমীশিংবু নুংশিবগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ : করাম শ্যাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): লৌমীশিংবু নুংশিনা অমদি পুকচেল শেংনা পূক্নিং থৌগৎপা অমসুং শৌগৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি ষ্টেট এগ্রিকলচর ফ্যের ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর ৰেলফ্যেরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা ষ্টেট এগ্রিকলচরেল মেনেজমেন্ট এন্দ এক্সটেন্সন ট্রেনিং ইনষ্টিট্যুট মণিপুরনা দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ৮ দগী চথরকখিবা এগ্রিকলচর ফ্যের ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং, নহাশিংদা থবক পীনবা অমদি চাউখৎপদা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবা কয়া লৈরি। নহাশিংসু, ওফিসলশিংসু থৱায় য়াওনা হোৎনৈ। এগ্রিকলচরগী লমদা খুন্মাং চাউশিন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মাগী মাগী অঙম্বা লেভেলদা হোৎনরগা তৌফম থোকপা কয়া তৌরি। পাঙথোক্লিবা মেলা অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মেলা অমা পাঙথোকপা মতমদা মনা পীবা কয়া অসিসু পূক্নিং থৌগৎপা তাই। কে ভি কে, সী এ য়ু য়াওনা ওর্গনাইজেসনশিংগী থবক থৌরম কয়া অমসু লৈরি। ফিল্ডদা লৈরিবা এগ্রিকলচরগী থবক তৌরিবশিংসি পূক্নিং থৌগৎপা অমদি লমজিং লমতাকপীবা ওইরি। মখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাউই। থবক তৌবা মতমদা মায় পাক্লবা হোৎনবা তাই। পুকচেল শেংনা হোৎনবা চঙই। ফম অচৌবা পায়রিবশিংনা লৌমীশিংবু নুংশিনা পূক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই। মখোয়দা চাউথোকচবা অমা ফাওহনগদবনি। মখোয়না পোথোক পুথোরক্তবা তারবদি ঐখোয় করম্না হিংগনি। শেল লৈরগা ফৌ ফংদ্রবা, মনা-মশিং ফংদ্রগদি করম তৌগনি। লৌমীশিংবু ঈকায় খুম্নবা তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা আই সী এ আর-আর সী এন ঈ ঐচ ইম্ফালগী জোইন্ট দিরেক্টর আই মেঘচন্দ্রনা হায়খি, চীংদা মখল কয়াগী পান্বী থাবা য়াই। আই সী এ আরনসু লৌউ-শিংউগী লমদা থেংনবা প্রোব্লেম কয়া সোল্ব তৌনবা হোৎনরি হায়খি।

থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর কম্মিস্নার এম জয়না প্রসিদেন্ট ওইখি। বেষ্ট ফার্মর এৱার্দ, দিষ্ট্রিক্ট ফার্মর এৱার্দনচিংবসু য়েন্থোকখি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০, লুপা লিশিং ১৫ য়াওরি হায়রি।

## মীওই ১ হাৎপদা চেন্নবা একুজ ২ কোর্টনা একুইট তৌখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১১(ঐচ এন এস): ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাংদা চীংদা উ য়ানবা অমসুং য়ূম শাবগী থবক তৌবা লেবর মশেলগী মরক্তা খৎন-চৈনরকপদগী মীওই ১বু খুক্রিনা য়ান্দুনা হাৎখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা একুজ অনী কেস অসিগী ৰায়েলগী ওর্দর লাউথোরকপদা একুইট তৌরে হায়খ্রে।

থৌদোকসিগী একুজ অনীবু একুইট তৌরে হায়বগী ৰাফমসি ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর কে মেমচাগী কোর্টনা মসিগী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

থৌদোক অসি হৌখিবা কুমজা ২০১২গী জুন ১১গী নুমিদাংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তামৈ পুলিস ষ্টেসনদগী খা-নোংচুপ্তা কিলোমিটর ১১ রোম লাপ্পনা লৈবা পিয়ুলোং ভিলেজগী জঙ্গল অমদা থোকখিবনি হায়রি।

মফম অসিদা লৈবা মাইথিয়ুশুংবৌ কৌবা উ লল্লোনবা মীওই অমনা জঙ্গলদগী উয়ানবা, হোন্দোকপা অমসুং মহাক্কী য়ূম অমা শাহন্নবগীদমক নন-লোকল লেবর অহুম নেকখিবনি। মখোয় ৩ মফম অদুদা খোলা অমা শারগা থমদুনা থবক শূহনবনি। অদুবু মহাক্না জুন ২৬, ২০১২দা মখোয়গী চেঙ-চাকশিং থিনবা চৎলুবদা লেবর অহুমদুগী মনুংদা ১ শিদুনা লৈরল্লগা অতোপ্পা অনীনা লৈরমখিদবনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু থেংনবদগী মহাক্না তামৈ পুলিস ষ্টেসনদা জুন ২৮, ২০১২দা রিপোর্ট তৌখি। পুলিসনা অশিবা হকচাংদু লৌখৎলক্লগা জুলাই ৩, ২০১২দা রিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা জুলাই ৬, ২০১২দা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখি হায়রি। থৌদোক্তুগী মতাংদা কেস এফ আই আর নম্বর- ২ (৬) ২০১২ অন্দর সেক্সন- ৩০২/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন অদু তমেংলোংগী সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট য়াওরগা ভিদিও কভরেজ তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবা লেবর অদুগী মমিংনা নিপেন কছারি কৌই। অদুগা থৌদোক্তুগী মতাংদা পুলিসনা ফাখিবা অতোপ্পা লেবর অনীদুগী মমিংনা মন বহাদুর (৪০), অপোকপা লৈখিদ্রবা দন বহাদুর, তিসপাড়ি (কংলাতোংবী) অমসুং মোহোন বিহারি (৩৫), অপোকপা সাদি য়াদো, উত্তর প্রদেশনি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী চার্জশীট থাগৎলকপদগী ক্রিমিনেল ত্রাইয়েল কোর্ট অসিদা লানখৎলক্তুনা মসিগী ৰায়েল চথরকখিবনি। অদুগা মমাং থাগী ২৭তা অরোইবা হিয়রিং পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লক্লিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

কোর্টকী ৰায়েলদা লৈখিদ্রবা মীওই অসিবু হাৎপদা শীজিন্নখি হায়রিবা খুক্রি (ক্রাইম ৰিপন) অদু রিকোভর তৌবগী মতাংদা পুলিসকী আই ও অমসুং প্রোজিক্যুসন ৰিটনেস খরগী মরক্তা চীনখুম মান্নদবগা লোয়ননা একুইজনি হায়রিবা মীওই অনীসিগী মথক্তা চার্জ তৌরিবা মরালশিংগী মতীক চাবা ইভিদেন্সশিং প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী কোর্টতা পুথোকপা ঙমখিদবদগী একুইজ অনীসিবু কেস অসিদগী একুইট তৌরে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙসি কোর্টনা কেস অসিদগী একুইট তৌখ্রবা একুজ অনীসিগী মনুংদা মন বহাদুরনা বেলদা লৈরিবনি। অদুগা মোহোন বিহারিনা ঙসি ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবনি। কেস অসিদা একুজ অনীগী মায়কৈদা এদভোকেট এম বিরবলনা লেপখি।

## মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না শীন্দুনা চয়োল অমা চুপ্পা চথরকখিবা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৰিক লোইশিনবগী থৌরম লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিং মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না শীন্দুনা চয়োল অমা চুপ্পা চথরকখিবা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৰিক ঙসি লময়ানবা শঙলেন কোনুং মমাঙদা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৰাই খেমচান্দনা হায়খি, মহাক্কী ওইনা মীখল মায় পাক্লবা হোৎনবদা আর টি আইনা অচৌবা মতেং পাংখি। শেঙ্গা-থুমজা থিংনবা হোৎনবদা আর টি আইনা মতেং পাংগনি। আর টি আইনা কনানা করি তৌরি হায়বসি লাইনা খঙবা ঙমহল্লি। আর টি আইগী মরুওইবসি মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা চঙই। লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা আর টি আই লাকপা মতমদা মদুগী পাউখুম অদু মতম চানা পীবীয়ু। শেঙ্গা-থুমজা অসি হান্না হন্থহন্দ্রবদি থিংবা য়ারোই। মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা শেঙ্গা-থুমজা হন্থহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লাই খুরুম্বদা শেল কৎপগুম থবক হাপ্পদা শেল কৎনরকপগী থৌওংদা শেঙ্গা-থুমজা তৌরকপা অসি লাইবক থীবনি। আর টি আইগী মতেং লৌদুনা মণিপুর অসি অফবা খুন্নাই ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৰারোল পীরদুনা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ওইনাম সুনিলনা হায়খি, ট্রান্সপরেন্সি লৈহন্নবা অমদি শেঙ্গা-থুমজা মুথৎনবগী খুৎলায় অমা ওইনা কুমজা ২০১৫ দা আর টি আই এক্ট শেমখিবনি। লৈঙাক্তা নত্তনা খুন্নাই অসিদগী শেঙ্গা-থুমজা মুথৎনবা আর টি আই মুভমেন্ট শৌগৎপীয়ু। আর টি আই লাক্লিঙৈ মমাঙদগী হৌনা লমদম অসিদা ট্রান্সপরেন্সি অমদি অফবা লৈঙাক ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। আর টি আইগী মুভমেন্ট অসি কনখৎ-হন্দুনা লমদম অসিদগী শেঙ্গা-থুমজা মুথৎনবা হোৎনবা তাই। শেঙ্গা-থুমজা অসি ঈদা য়াওবদৌনা লৈরে। থবক লৌদৌরে হায়বদা এদভর্টিজমেন্ট অমা থোকপা মতমদা থবক অদু ফংনবগীদমক মীয়াম্না ফোংনা শেল পীবা কিরক্লে, ঈকায়রক্লে। অতোপ্পা ষ্টেটকী কম্মিসনদা লাক্লিবা কেসশিং অসিদি পি আই ওনা পীরিবা ইনফোর্মেসন অসি পেন্দবদগী কম্মিসনদা লাকপনি। ষ্টেট অসিদদি দিপার্টমেন্টশিংনা ইনফোর্মেসন পীদবদগী কম্মিসনদা লাকপনা অয়াম্বনি। আর টি আই এক্ট অসি মপুং ফানা ইনবা তারবদি ইনফোর্মেসন পীরক্তিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপা য়াই। আর টি আই এক্ট অসি ওফিসশিংনা মপুং ফানা খঙদবা মরম্না ইনফোর্মেসনশিং অসি পীদবনি। এক্ট অসিবু খঙদবা মীওইশিংদি কম্মিসন্না চৈরাক পীবা য়াদে। আর টি আই ৰিক লোইরবা মতুং কম্মিসন্না লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা পি আই ওশিংগী ট্রেনিং পীরগনি। মখোয় ট্রেনিং তৌদ্রিবমখৈ কম্মিসনদা লাক্লিবা কেসশিং অসি হন্থহনবা ঙল্লোই। ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না চহী ১ দা কমপ্লেন্ট কেস ৩০০ রোম থেংনৈ। আপিল কেস ওইনা কুমজা ২০১৬-১৭ দা কেস ১৭৫, কুমজা ২০১৭-১৮ দা কেস ১৯৮, কুমজা ২০১৮-১৯ দা কেস ১৬০ লাকই। মসিগী মনুংদা কুমজা ২০১৬-১৭, ২০১৭-১৮ দা লাকপা কেস লোইনমক দিস্পোজ তৌখি। কুমজা ২০১৮-১৯ গী ওইনা কেস ১৫২ দিস্পোজ তৌখি। হান্নগী অরিবা কেস খরসু দিস্পোজ তৌখি।

কমপ্লেন্ট কেস ওইনা কুমজা ২০১৬-১৭ দা কেস ৪১, কুমজা ২০১৭-১৮ দা কেস ৬২, কুমজা ২০১৮-১৯ দা কেস ৭৬ লাকই। দিপার্টমেন্টশিংদা থাবা আর টি আইগী ইনফোর্মেসন অসি দিপার্টমেন্টনা পীরকপা মতুং নুমীৎ ৬০ নিগী মতুংদা কম্মিসনদা লাকপদা কম্মিসন্না কেসশিং অসি দিল তৌবনি। পি আই ও অসি আর টি আইগী য়াংলেন শরূনি। মখোয়না মথৌ মপুং ফানা তৌরবদি কম্মিসন্দা লাকপা কেসশিং হন্থহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ডা. সোইবম ইবোচাসু দেজদা ফমখি। চয়োল অমা চুপ্পা চথরকপা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৰিক্কী থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল আর টি আই এসে কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখিবশিংদসু মনা-মথুম পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ‘অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী পাঙথোক্কদবা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল পোষ্টপোন তৌরে হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এ সুরকুমারনা ওক্টোবর ১১ দা নোটিশ থাদোরকখি। মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা খক্তা ঙাইরবা মতমদা অসিগুম্বা নোটিশ থোরকপা অসি য়ানিংদে। মরম অদুনা অতোপ্পা হায়র সেকেন্দরিশিংদা ওক্টোবর ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগুম্না জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীখল পাঙথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না দেসামগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন এন্দ কো ওর্দিনেসনগী থৌ পুরিবা সোমোরজিৎ লুৱাংনা ফোঙদোরক্লি।

দেসমাগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীখল অসি ঙসি পাঙথোক্ত্রবদি স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং দেসামনা ইলেক্সন কম্মিটি অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালগী মথক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিনগনি।

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN ☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
CBSE COHSEM
Class X & XII Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Class Starting from 16th October, 2019
We produced Students with Flying Colours in the Exam
We produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Weekly Test Series
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools
HL-B/5662/12sept.-12oct.

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5687/24/sept.-23/oct.